# সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ২৩শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌখ্রে, অমুক হন্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রে



মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ২৮ :
ৱর্ল্ড নম্বর টু সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মফম অসিগী রোদ লেভর এরেনাদা চথুরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচতা মহাক্কী মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা প্রোফেস্নেল ইরাদা রেকোর্দ ওইনা ২৩শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা অমুক হন্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবসু ঙমখ্রে।

মমাঙ চহীগী ৱিমব্লেদনগী টাইটল লৌদুনা ষ্টেফি গ্রাফনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২২ লৌখিবা মার্ক অদুগা মান্নখিবী মশাগী চহী ৩৫ শুরবী অসিনা ঙসিগী টাইটল অসি লৌখিবদগী মমাঙদা মার্গরেট কোর্টনা মতম চূপ্পগী ওইনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২৪ লৌখিবা মার্ক অদুগী হেক মতুংদা লৈখ্রে। মেচ অদু মার্গরেট কোর্টনা প্রসিদেন্ট বোক্সতা ফমদুনা য়েংখি।

মহাক্কী মায় পাকপগী খোঙথাং অসিনা মহাক্না অমুক হন্না ৱর্ল্ডগী টোপ রেঙ্ক প্লেয়র ওইবা ঙমখি।

ৱিল্লিয়মসনা চহী অহুম মখায় চূপ্না টোপ ওইদুনা লাকখিবা অদু মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা জর্মনগী এঞ্জেলীগ কার্বরনা মুন্দুনা লৌখিবদগী অতেনবা মতম খরা ৱর্ল্ডগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরমখিবা অদু লোইশিনহনখি।

মেচ লোইরবা মতুং সেরেনানা হায়খি, মহাক অসি অঙকপা মীওই অমনি। মহাক য়াওরমদ্রবদি ঐনা ২৩রকশুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা লম্বী লৈরম্লোই হায়না ট্রোফি য়েম্থোকপগী থৌরম অদুদা অনীশুবা সীদ অসিনা হরাউ তয়াম্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐনা মহাক য়াওদনা করিগুম্বা অমত্তা তৌনবগী লম্বী লৈতে। মহাক্না ঐবু মালেমদা খ্বাইদগী অফবা প্লেয়র অমা ওইনা শেম্বীরম্বগীদমক ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রোফেস্নেল ইরাদা মেলবোর্নগী খ্বাইদগী অহল ওইরবী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবী ভেনসনা হায়খি, সেরেনা ৱিল্লিয়মস অসি ঐগী নুংশিরবী ইচলনুপীনি। সেরেনানা নম্বর ২৩ ওইবা ঙম্বদা থাগৎলি। ঐনা নংগা পুন্না লৈরকখ্রে। মখোয় খরদি ঐনা নংগা লোয়ননা মাঙজখ্রে। নংগী মায় পাকপা অদু ঐগীসু মতম পুন্নমক্কী ওইনা মায় পাকপনি হায়বদু নংনা খঙই। ঐনা নংগীদমক চাউথোকচৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ভিরাট কোহলিনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী কুমথরগা আই সি সিগী ও দি আই বেটসমেন রেঙ্কিংগী অহুমশুবদা লৈখ্রে

দুবাই, জান্যুৱারী ২৮ : ইন্দিয়ন কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা আই সি সিগী ও দি আই বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফমদগী কুমথরগা অহুমশুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়ননা মহাক্কী প্রিদিসেসর মহেন্দ্রা সিংহ ধোনিনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী অমা কাখৎলগা নৌনা আই সি সিনা থোকখিবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ১৩শুবা মফমদা লৈখ্রে।

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না হন্দক্তা নৌনা থোকখিবা আই সি সি, ও দি আই বেটসমেন রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী রোহিট শর্ম্মনা হান্না লৈরম্বা মফম অহুমদগী মফম অহুম কুমথরগা ১২শুবা মফমদা লৈখি অদুগা শিখর ধৱননা ইংলিশমেন জোস বট্টলরগা ১৪শুবা মফমদা পুন্না লৈমিন্নখি।

আই সি সি, ও দি আই বোল্লর রেঙ্কিংগী টোপ টেন ফাওবদা ইন্দিয়াগী বোল্লর অমত্তা য়াওবা ঙমখিদ্রে। অক্সর পটেলনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম অহুম কুমথরগা খ্বাইদগী ৱাংবা মফম



ওইনা ১২শুবা পোজিসন্দা লৈখি। মহাক্কী হেক মতুংদা য়াম্না নক্না অমিট মিশ্রানা ১৪শুবা মফমদা লৈমিন্নখি।

রেঙ্কিং অসিদা ইন্দিয়ন টিমনা অহোংবা লৈতনা টিম রেঙ্কিংদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

নাকল অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর দেভিদ ৱার্নরনা ও দি আইগী বেটসমেন রেঙ্কিংদা টোপ স্পোটতা লৈখি। এট্রেক্কিং লেফট হেন্দর অসিনা অহানবা ওইনা টোপ রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখিবনি। মহাক্না হোম সেরিজদা পাকিস্তানগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচ মঙাগী সেরিজদা অপুনবা রন ৩৬৭ লৌদুনা মহাক্কী সাইদনা ৪-১ দা মায় পাকখিবা অদুনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী খঙচোং চোংখৎখিদুনা সাউথ অফ্রিকাগী এ বি দি ভিল্লিয়র্স অমদি ভিরাট কোহলিদগী মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখিবা সেরিজদা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবা অদুগী মতুংদা অয়াম্বা পোইন্টশিং ফংদুনা অৱাংবা রেঙ্কতা লৈবা ঙমখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিংগী মনুংদা ইংলেন্দগী বেটসমেন জাসন রোয়না হাফ-সেঞ্চুরি অহুম লৌবা ঙমখিবা অদুনা মহাকপু টোপ ২০ গী মনুংদা অহানবা ওইনা লৈবা ঙমখি। মহাক্না মফম ২৩ তোংজদুনা ১৭শুবা পোজিসন্দা লৈখি। ইন্দিয়াগী ওইনা কেদর জাধভনা রন ২৩২ লৌবা ঙমখিবা অদুনা মহাকপু মফম ৫৭ তোংজবা ঙমহনখিদুনা ৪৭শুবা রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখি।

# দিপা কর্মাকরনা মহাক্কী পদ্মা শ্রী অদু কোচতা কখোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ২৮ : ইন্দিয়াগী মরিশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ অমা ওইরিবা লেমজনিঙাই ওইরবা পদ্ম শ্রী পীখিবদা হরাউ মথোই কারবী জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকরনা মসি হৌবদা ঙাইরি অমদি মহাক্না লৈবাক অসিগীদমক মিংচৎ ময়াম অমা পুরক্লবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দিপা কর্মাকরনা পাউজী এজেন্সি অমনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ুদা হায়খি, মসিগী লেমজনিঙাই ওইরবা এৱার্দ অসিগী ঐবু খল্লকখিবগীদমক তশেংনা অপেনবা অমদি হরাউবা পোকই। মসি ঐগীদমক্তদি খ্বাইদগী চাউনা ঈকাই খুম্নবীবনি। ঐনা ওলেম্পিক্সতা চৎপা মতমদা মথৌ তাবা ফেসিলিটিশিং পীবিখিবগীদমক্তসু ঐনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াবু হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎলি। মসি ঐগীদমক্তদি হৌবদা ঙাইরি। ঐনা শাংলবা লম্বী অমা চৎকদবা ৱাৎলি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পদ্মা এৱার্দ পীনবগীদমক খনগৎখিবা শান্নরোয়শিংগী লিষ্ট মরক্তা দিপাদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্টেন ভিরাট কোহলি, হোকি কেপ্টেন পি আর শ্রীজেশ অমদি কুমজা ২০১৬ কী ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট রেষ্টলর সক্সি মালিক য়াওখি।

দিপানা রিও ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরমগদবা অদু শম্নাদা নাম্থোকখি অদুবু মহাক্কী থৌনা ফবা শো অদুদা মীওই মিল্লিয়ন কয়াগী থম্মোয় হুমদুনা পুখি। মশাগী চহী ২৩ শুরবী অসিনা ভোল্টকী ফাইনেলদা উৎখিবা মহাক্কী শিংথানিঙাই ওইরবা লেন্দিং অদুদা মীওই পুন্নমক্কী পুক্লিং চিংশিনখি অদুবু মরিশুবা মফমদা লৈখিদুনা মহাকপু পোদিয়মদগী ইন্থোকপীরমখি।

ওলেম্পিক্সতা কম্পিট তৌখিবা অহানবা ইন্দিয়ন ফিমেল জিম্নাষ্ট ওইবা ঙমখিবী মশাগী চহী ২৩ শুরবী অসিনা রিও গেমসগী ফাইনেলদা পোইন্ট ০.১৫০ খক্তমক ৱাৎখিবদগী মেদল ফংবা ঙমহৌখিদে।

মমাঙ চহীদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা স্পোর্টিং ওনর ওইরিবা রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ ফংখিবী জিম্নাষ্ট অসিনা মহাক্কী মায় পাকপা অসি কোচ বিশেশ্বর নন্দিদা কখোকখি।

দিপানা হায়, ঐনা ঙসি ওইরিবা অসি ঐগী কোচনা ওইহনবনি। মসিগী আইদেন্টিটি অসি মহাক্না ঐঙোন্দা পীবনি। নন্দি সারনা ঐঙোন্দা চৎকদবা লম্বী তাকপনি অদুগা ঐনা মদু থবক্তা উখোকপনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মমাঙগী চহীদা দ্রোনচর্যা এৱার্দ ফংখিবা নন্দিনা দিপাবু হৌখিবা চহী ১৬ অসি ট্রেনিং পীদুনা লাকখি অমদি শেম-শাদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা ব্যুজিনেস ওইনা কম্পিট তৌনবা খোঙফম শেমখি।

বিসেশ্বরনা হায়খি, মসিগীদমক দিপাসি মতীকমগুণ লৈবীনি। মহাক কখোল্লবা স্পোর্টসপার্সন অমনি। মহাক্না রিওদা মেদল ফংবা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্কী পার্ফোর্মেন্স অদুদা অপেনবা পোকই। মহাক্না শাংলবা লম্বী অমা চৎলি। মহাক্না লাক্লিবা টোকিয়ো ওলেম্পিক্স ২০২০ দা মেদল শোয়দনা লৌগনি হায়না ঐনা থাজবা লৈ। ঐনা সপ্পোর্টশিং ফংলি অমদি মসিমক তুংদসু চপ মান্ননা ফংগনি হায়না থাজৈ। এথলেট খুদিংমক্না ওলেম্পিক্সতা মখোয়গী পান্দম অমমমগা লোয়ননা চৎলি। মখোয়গী পান্দম অদুদি মেদল লৌবনি। ঐখোয়গী পান্দমসু চপ মান্নে অদুবু অরোইবদা অফবনা মায় পাকপনি হায়না নন্দিনা হায়খি।

# আই লীগ ২০১৭ : শিল্লোং লাজোংনা মুম্বাই এফ সিবু, চেন্নাই সিটি এফ সিনা আইজোল এফ সিবু মায়থীবা পীখ্রে

শিল্লোং/চেন্নাই, জান্যুৱারী ২৮ :
শিল্লোং লাজোংনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা হেরো আই-লীগকী মেচতা মুম্বাই এফ সিবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা, আই-লীগ অসিগী চেন্নাইগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেচতা চেন্নাই সিটি এফ সিনা আইজোল এফ সিবু ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

শিল্লোং লাজোং অমদি মুম্বাই এফ সিগী মেচ অদুদা মায় পাকখ্রবা শিল্লোং লাজোংগী গোলশিং অদু আসির দিপান্দানা মেচকী মিনিট ২৮ অমদি ৪৩ চৎপা মতমদা গোল অনী অমসুং কোনশম সিংহনা মেচকী মিনিট ৭০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি।

মায়থীহৌরবা মুম্বাই এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা করন সোহনেনা চনখি। শিল্লোং লাজোংগী টিম লাইন-অপতা মিনরভা পঞ্জাবপু মায়থীবা পীখিবদা শান্নখিবা ফার্ষ্ট এলেভেন অদুমক্না শান্নখি।

রিদীম টলাং অমদি দিপান্দানা অপ-ফ্রন্টদা শান্নখি অদুগা সাম্যুএল সদাপ অমদি কোনশম সিংহনা সেন্ট্রেল দিফেন্সতা থৌ পুদুনা শান্নখি।

টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। শিল্লোং লাজোংনা যুম্বু



ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মতীং থোক্না শান্নরকখিদুনা মায়োক্নখিবা মুম্বাইগী সাইদতা অকনবা এটেকশিং তৌখি।

মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা ইসাক ভানমালস্বামানা পোষ্টতগী লাপ্না কাওরকখিবা বোল অমা দিপান্দানা মেচকী মিনিট ২৮ চৎপা মতমদা মায়োক্নখিবা টিমগী গোল পোষ্ট মনুংদা হেদিং তৌশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মখা তানা মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা দিপান্দানা মেচকী মিনিট ৪৩ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ফার্ষ্ট হাফফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা শিল্লোং লাজোংনা মখা তানা এটেকশিং তৌদুনা অহেনবা গোল চন্ননবা হোৎনরকখি। মুম্বাইসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়গী এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা করন সোহনেনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

শিল্লোং লাজোংসু অহেনবা গোল চন্ননবগীদমক তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৭০ চৎপা মতমদা কোর্নর কিকঅমদগী কোনশম সিংহনা গোল অমা চনশিন্দুনা মুম্বাই এফ সি মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, চেন্নাইগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই-লীগকী মেচ অমদা চেন্নাই সিটি এফ সিনা আইজোল এফ সিবু ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

চেন্নাই সিটি এফ সিগী মায় পাকপগী গোল অদু মার্কোস থেঙ্কনা মেচকী মিনিট ৫৩ অমসুং চার্লেস বি সৌজানা মেচকী মিনিট ৯৪ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটিদা গোল অমা চনখি। টিম অনীমক্না অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। অনীশুবা হাফতা চেন্নাই সিটি এফ সিনা গোল অনী চনখিদুনা মায় পাকখি।

# সয়ীদ মোদি ইন্টরনেসনল ২০১৭ : সিন্ধু, সাই প্রনীথ অমসুং সমীরনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে





লক্ষনৌ, জান্যুৱারী ২৮ :
পি ভি সিন্ধু, বি সাই প্রনীথ, সমীর ভর্মা অমসুং নুপীগী দবলস জুরা অশ্বিনি পোন্নাপ্পা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা মফম অসিদা চথুরিবা সয়ীদ মোদি ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

বাবু বনারাসি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথুখিবা মেচশিংদা অশ্বিনি অমদি সিক্কিনা মখোয়গী পার্টনর বি সুমীথ রেদ্দি অমদি প্রানভ জেরি চোপ্রাগা মথংশিংনা মিক্স দবলসকী ফাইনেল চঙখি।

ওলেম্পিক্স ২০১৬ কী রন্নর-অপ সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী মরিশুবা সীদ ফিট্রিয়ানি ফিট্রিয়ানিবু সেমী ফাইনেল মেচতা ২১-১১, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। সিন্ধুনা টাইটল রাউন্দদা অনসীদেদ ইন্দোনেসিয়ন গ্রিগোরিয়া মারিস্কাগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি। গ্রিগোরিয়া মারিস্কানা কম্পেট্রিওট তরুকশুবা সীদ হান্না রামাদিনিবু মিনিট ৩৭ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৯, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীখিদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা, নিপানশুবা সীদ অমদি নেসনল চেম্পিয়ন সমীর ভর্মানা ১৫শুবা সীদ হরশীল দানিবু মিনিট ৩১ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৫, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি।

সমীরনা ইন্দিয়াগী মাপনশুবা সীদ সাই প্রনীথকা লম্বা তৌদুনা টাইটল রাউন্দদা থেংনরগনি। সাই প্রনীথনা অতোপ্পা মেচতা অহুমশুবা সীদ কিদম্বি শ্রীকান্থপু ১৫-২১, ২১-১০, ২১-১৭ তা মিনিট ৫৯ চঙনা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

নুপীগী দবলস কম্পিটিসনদা অনসীদেদ ইন্দিয়ন জুরা অশ্বিনি-সিক্কিনা সঞ্জানা সন্টোশ অমদি অর্থি সারা সুনিলবু মিনিট ৪৭ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ১৮-২১, ২১-১২, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি।

টাইটল ক্লাশতা অশ্বিনি-সিক্কিনা দানিশকী টোপ সীদ খৃষ্টিনা পেদরসেন অমদি কামিল্লা রেট্টর জুহলগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। পেদরসেন-জুহলনা মালেসিয়াগী অহুমশুবা সীদ য়িন লু লিম অমদি য়াপ চেং ৱেনবু মিনিট ৫০ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২৩-২১, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মিক্স দবলসতা অশ্বিনি অমদি সুমীথ রেদ্দিনা দেনমার্ককী জোচিম ফিসচর নিলসেন অমদি খৃষ্টিনা পেদরসেনবু ১৯-২১, ২১-১৮, ২১-১৮ দা পুং অমগা মিনিট ১১ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়াগী তরেৎশুবা সীদ অসিনা কম্পেট্রিওট অনীশুবা সীদ সিক্কি অমদি প্রানভকা লম্বা তৌদুনা টাইটল রাউন্দদা শান্নরগনি। সিক্কি অমদি প্রানভনা দানিশকী মঙাশুবা সীদ মাথিয়াস খ্রিটিয়ানসেন অমদি সারা থায়গোসেনবু ২১-১৮, ২১-১৩ দা মিনিট ৪০ চঙনা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, পি ভি সিন্ধু, বি সাই প্রনীথ, কিদম্বি শ্রীকান্থ অমসুং নুপীগী দবলস জুরা অশ্বিনি পোন্নাপ্পা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা সয়ীদ মোদি ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন-শিপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচশিংদা মায় পাকখিদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা, সমীর ভর্মা অমদি হরশীল দানি অমদি অশ্বিনি অমদি সিক্কিসু মখোয়গী মিক্স দবলসকী কেম্প্যেনদা খুমাঙ চাউনা চঙশিনখিদুনা লাষ্ট ফোর ষ্টেজ য়ৌখি।

রিও ওলেম্পিক্সকী রন্নর-অপ সিন্ধুনা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা ভাইদেহি চৌধরিবু মিনিট ২৬ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৫, ২১-১১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। ফিট্রিয়ানিনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অনসীদেদ ইন্দিয়ন রিটুপরনা দাসপু মিনিট ৫৮ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ১৭-২১, ২১-১৩, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

ইন্দোনেসিয়াগী তরুকশুবা সীদ হান্না রামাদিনিনা কৃষ্ণা প্রীয়া কুদারাভাল্লিবু মিনিট ৩৫ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৭, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি। মারিস্কানা স্পানিশকী অহুমশুবা সীদ বিট্রিজ কোরালেসপু ২১-৯, ২১-১১ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা মাপনশুবা সীদ সাই প্রনীথনা তরামাথোইশুবা সীদ সৌরভ ভর্মাবু মিনিট ৫৬ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৯, ১২-২১, ২১-১০ দা মায়থীবা পীখি অদুগা ইন্দিয়াগী ১৫শুবা সীদ দানিনা মঙোন্দগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংনা লৈরিবা ওপোনেন্ট দানিশগী ১২শুবা সীদ ইমিল হোলষ্টপু ২১-১৬, ১৭-২১, ২১-১ দা মিনিট ৪৯ চঙনা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীখি।

কিদম্বি শ্রীকান্থনা মালেসিয়াগী তরেৎশুবা সীদ জুলফাদলি জলকিফলিবু ২১-১২, ২১-১৭ তা মিনিট ৪৩ চঙনা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোর ষ্টেজ য়ৌখিবনি।

নিপানশুবা সীদ সমীর ভর্মানা দানিশকী অনীশুবা সীদ হান্স-ক্রিষ্টিয়ন ভিট্টিনঘসপু মিনিট ৩৬ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৫, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী দবলস কেটাগোরিদা অনসীদেদ অশ্বিনি অমদি সিক্কিনা মালেসিয়াগী অনীশুবা সীদ মৈ কৌন চৌ অমদি লী মেং য়িনবু মিনিট ৪৮ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৮, ২৩-২১ দা মায়থীবা পীখি। সঞ্জানা সন্টোশ অমদি অর্থি সারা সুনিলনা জাক্কাম্পুদি মেঘানা অমদি পুরভিশা এস রামবু ১২-২১, ২১-১২, ২১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অশ্বিনিনা মিক্স দবলসতসু মায় পাক্না চঙশিনখি। মহাক্না বি সুমীথ রেদ্দিগা জুরা শেমনুদা সিঙ্গাপুরগী অহুমশুবা সীদ য়োং কাই টেরি হী অমদি ৱৈ হানটানবু মিনিট ৪৮ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৮, ২৩-২১ দা মায়থীবা পীখি। জাওকিম ফিসচর নিলসেন অমদি খৃষ্টিন্না পেদের্সেননা মালেসিয়াগী তরুকশুবা সীদ গোহ সুন হুঅট অমদি শেভোন জেমি লাইবু মিনিট ৩৫ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৫, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি।

# স্পেনগী রফেল নদাল অমসুং স্বিসকী রোজর ফেদররনা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা শান্নরগনি

মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ২৮ :
চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্নদৌরিবা ফাইনেল মেচতা স্পেনগী রফেল নদাল অমদি স্বিসকী রোজর ফেদরর অনীনা মায়োক্নদুনা শান্ননবা শেম শাখ্রে।

পনবা য়াই, হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী অহানবা সিঙ্গলস সেমী-ফাইনেল মেচতা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৭রক লৌবা ঙমখ্রবা স্বিসকী রোজর ফেদররনা মহাক্কী কম্পেট্রিওট ষ্টান ৱারিঙ্কাবু ৭-৫, ৬-৩, ১-৬, ৪-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

কুমজা ১৯৭৪ গী য়ু এস ওপনদা কেন রোজৱেলনা ওপন অসিগী ফাইনেল চঙখ্রবা মতুং চহী ৪০ রোম অসিদা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা ফেদররনা গ্রান্দ স্লাম ফাইনেল চঙবা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা প্লেয়রসু ওইরি।

ওপন অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা স্পেনগী রফেল নদালনা বেলজিয়মগী গ্রিগোর মিদিট্রোভপু পুং মরিগা মিনিট ৪৯ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-৩, ৫-৭, ৭-৬, ৬-৭, ৭-৬ তা মায়থীবা পীখি।

কুমজা ২০১১ গী ফ্রেঞ্চ ওপন মতুং গ্রান্দ স্লাম ফাইনেলদা নদাল অমসুং ফেদররনা মায়োক্নগদৌরিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবসু



ওইরে। হান্না মালেমগী মকোক থোংবা মফম কল্লম্বা নদালনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা অরোইবা ওইনা কুমজা ২০১৪ দা শান্নখি। মদুদা ষ্টান ৱারিঙ্কাগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিদা নদালনা ফেদররবু মায়থীবা পীরবদি স্পেনিস অসিনা পেট সম্প্রাসকী গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৪ লৌখিবা মার্ক অদু নক্ষৎলম্বদা নত্তনা রোজর ফেদররগী মতুং টেনিসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপা অনীশুবা প্লেয়রসু ওইরগনি।

স্পেনগী লেজেন্দ রফেল নদালনা কুমজা ২০১৪ গী ফ্রেঞ্চ ওপন টাইটল লৌখ্রবা মতুং গ্রান্দ স্লামগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বসি স্পেনিস অসিগী ওইনা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

মমাঙ চহীদা অশোকপা নঙখিবদগী সিজন মপুং ফানা শান্নবা ঙমখিদ্রবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা নদালনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা সেমী ফাইনেল চঙবসি হন্দক্কী অসিনা মঙারকশুবসু ওইরি। অদুগা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা গ্রান্দ স্লাম ২৪রকশুবসু ওইরি। নদালনা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা অনীরকশুবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌনবা চঙলকপদা নত্তনা ওপন ইরাদা গ্রান্দ স্লাম মরিমক্কী টাইটল অনীরক লৌবা মালেমগী অহুমশুবা নুপা শান্নরোয় ওইনবা পান্দমসু থল্লি।

নদালনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌবা ঙম্লবদি মালেমগী রেঙ্কিংদা অমুক হন্না মরিশুবা মফমদা কাখৎপা ঙম্লগনি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ

ADMISSION OPEN Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017

5th Open Mega Mock Test for HSLCE 2017

RE - SCHEDULED TIME TABLE

| Date & Day | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) | 04/02/2017 (Saturday) | 08/02/2017 (Wednesday) | 12/02/2017 (Sunday) | 15/02/2017 (Wednesday) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Subject | Science | MIL (Man, El. Man.) | English | Social Science | Mathematics | Addl. Sub |

TOPPERS of 2016




Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
HL-B/3606/12/01-11/02